# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 19-04-2025)**

**অশ্বিনি ঃ** ইলেক্ট্রোনিক্স অমসুং আই.টি. মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনো হায়রি-হৌখিবা চহি তরা অসিদা ভারতনা ইলেক্ট্রোনিক্সী পোৎলমশিং পুথোকপগী চাং শরুক মঙা হেনগৎলে।

গুরগাউন্দগী মনিসরদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা শ্রী বৈসনোনা হায়-মেক ইন ইন্দিয়া থৌশিলগী মখাদা ইলেক্ট্রোনিক্সী পোৎলমশিং পুথোকপগী লমদা চাউনা অহোংবা লাক্লে। মহাকা হায়-হৌখিবা চহি তরা অসিদা ইলেক্ট্রোনিক্সী পোৎলমশিং মপানদা থাদোকপগী চাং শরুক তরুক হেনগৎপগা লোয়ননা লুপা কোতি লাখ অহুম লিশিং ২৫ গী শেনফম ফংবা ঙমলে।

শ্রী বৈসনোনা হায়-ইলেক্ট্রোনিক্সী পোৎলমশিং শাবগী লম অসিদা মীওই লাখ ২৫ রোম থবক পীরি। মন্ত্রিনা হায়-সরকার অসিনা ইলেক্ট্রোনিক কমপোনেন্ট মেন্যুফেকচরিং স্কিম অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা লম অসি হেন্না চাউখৎহনবগা লোয়ননা মীয়ামদা থবক ফংহনবগী খুদোংচাবসু পীরগনি।

**নোং (এল)ঃ** ইন্দিয়া মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্টরনা হায়রি-লাক্কদৌরিবা নুমিৎ মরি-মঙানি অসিদা রাজ্য অসিগী মফম অয়াম্বদা অখাক-অরাও য়াওনা অকনবা নোং চুগনি।

নোংজ্ নুংশাগী লোইশঙগী মতুং ইন্না পুংদা কিলোমিটর ৩০ দগী ৪০ ফাওবা য়াংনা নুংশিৎ য়াওনা নোং চুগনি।

অমরোমদা, লৈবাক অসিগী গুজরাট, দিয়ু দামন অমসুং দদ্রা এন্দ নগর হবেলিদা লাক্কদেরিবা নুমিৎ তরেৎনি অসিদা কা হেন্না শাবগী অৱাবা মায়োক গনি।

**ম্যুনিসিপাল (এল)ঃ** নাগামপাল লাই ঈশিং চাইবগী মায়োকবদা লৈবা অমোৎ অকায় পৈশিনফম অদু ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা শিং শেংদুনা সেলফি পোইন্ট ওন্থোক্তুনা সেনিয়ার সিটিজন্সশিংগী পোথাফম ওইনা ঙরাং শঙ্গাখ্রে।

মফম অসি ১৫ শুবা সেন্ত্রেল ফাইনান্স কন্মিসন (টাইদ ফন্দ) গী মখাদা ক্লিন ইম্ফাল কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা শেমগৎখিবনি।

**ফয়ার (এল)ঃ** ইম্ফালগী ব্রহ্মপুর অরিবাম লৈকাইদা ঙরাং নুমিদাং পুং ১০ অদুৱাইদা দুকান অমা মৈ চাকখ্রে।

মনিপুর ফয়ার সার্ভিসকী পাউনা হায়-মৈ অদু সোর্ট সারকুইটতগী হৌরকপনি। মৈ চাক্লে হায়বা পাউ হেক ফংবগা খুদক্তা মনিপুর ফয়ার সার্ভিস ইম্ফালদগী ৱাটর টেন্দর অমা থৌজিনদুনা মৈ অদু কন্নবা হোৎনখি। মৈ চাকপা অদুদা অমাং অতা থোকহৌদ্রে হায়রি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** চহি ২৩ মখাগী নুপীগী অহানবা এম.এন.সি.এ. ৱান ডে ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ফাইনেল মেটচ ঙসি থাউ থাংমৈবন্দ অমসুং ফোর্স-ক্ষেত্রিগ্রাউ শান্নগনি।

মনিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনবা মেটচ অসি কোংবা ধোবি লম্পাক্কী সেদো গ্রাউন্দদা শান্নগনি।

**রাজনাথ ঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা হায়রি-ঙাকশেলগা মরী লৈনবা পোৎলমশিং পুথোকপগী লমদা ভারতনা মরোমদোম লেপচবা ঙম্লক্লি।

মহারাস্ত্রাগী ছত্রাপতি শন্বাজি নাগরদা পাঙথোকপা অৱাংবা থাক্কী সেমিনার অমদা শ্রী রাজনাথনা হায়-ভারতনা শাজবা পোৎলমশিং শিজিন্নবদা হেন্না পুকিং চংনবগা লোয়ননা মপানদগী পোৎ-চৈ পুশিল্লকপগী চাং হন্থহন্দুনা ঙাকশেলগা

মরী লৈনবা পোৎলম ৫০০ হেন্না লৈবাক অসিনা পুথোক্লি। মহাকা হায়-লৈবাক অসিনা ঙাকশেলগা মরী লৈনবা পোৎলমশিং মপানদা থাদোকপগী চাং লুপা কোতি ৬০০ তগী লুপা কোতি লিশিং ২,৪০০ দা হেনগৎপা ঙমলে।

**জি ঃ** জোইন্ট এন্ত্রান্স ইগজামিনেসন (জে.ই.ই) মেন সেসন টু-২০২৫ গী পরিক্ষাগী ফল ঙসি লাউথোক্লগনি।

নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সিগী চেরোল অমনা হায়-পরিক্ষা অসিগী ফল জে.ই.ইগী মেন ৱেব সাইটতা ঙসি নুংথিল পুং অনিদগী দাউন্দলোদ তৌবা য়াগনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা টেসলাগী সি.ই.ও. এলোনমক্সকা উন্নদুনা টেকোলোজিগী লমদা তেংবাংনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে।

সোসিএল মেদিয়া পোষ্ট অমদা শ্রী মোদিনা হায়-চহি অসি হৌরকপদা ৱাশিংটন দি.সিদা এলোনমক্সকা উন্নখিবা অদুদা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াগী মতাংদা খন্নখি। শ্রী মোদিনা টেকোলোজি অমসুং ইনোভেসনগী লমদা আমেরিকাগা তেংবাং পীনদুনা হেন্না চাউখৎনবা হোৎনরি হায়নসু ফোংদোকখি।

**এপোইমেন্ট ঃ** কেন্দ্র সরকারনা তোঙান তোঙানবা মন্ত্রালয় অমসুং বিভাগশিংগী সেক্রেটরিশিং হাপখ্রে। অরজ্ন শ্রীভাস্তবনা শেল থুম মন্ত্রালয়গী রিভিন্যু বিভাগকী সেক্রেটরি ওইরগনি।

ঙাকশেল মন্ত্রালয়গী দাইরেক্তর জেনরেল (একুাইজিসন্স) ওইরিবা সমির কুমার সিনহাবুনা সিভিল এভিয়েসনগী সেক্রেটরি ওইনা হাপখ্রে। ফোরেন ত্রেদকী দাইরেক্তর জেনরেল-সন্তোস কুমার সারংগীনা ন্যু এন্দ রিন্যুয়েবল ইনর্জি মন্ত্রালয়গী সেক্রেটরি ওইরগনি।

**প্রসার ঃ** প্রসার ভারত্তিগী চেয়ারমেন-নবনিত সেগল হায়-অকাশবনি অমসুং দুরর্দশনবু ই-পাউগী লমদা খ্বাইদগী ফবা অমসুং মকোক থোংবা প্লেটফোর্মশিং ওইহন্নবা থবক পায়খৎলি।

ৱাফম অসি চেয়ারমেননা অকাশবানি কেন্দ্র, পাটনাগী তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিংগী ওফিসিএলশিংগা উন্নবা অমদা ফোংদোকখিবনি।

ইঞ্জিনিয়ারিং, ন্যুজ, প্রোগ্রাম অমসুং কমরসিএল ব্রোদকাষ্টিং সার্ভিসকী ওফিসিএলশিংগা উন্নখিবা মীফম অদুদা অকাশবানিগী তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিং হেন্না ফগৎহনবা, ব্রোদকাষ্টিং টেকোলোজি অপগ্রেট তৌবা য়াওনা হীরম কয়াগী মতাংদা খন্নখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

প্রাইম মিনিস্তর ই-সেবা স্কিম-মনিপুরদসু থবক ওইনা পায়খৎকদৌরি হায়বসিনা সঙাই এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈদগী খুৎলায় ফাগৎখিবা-ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা সেক্যুরিতিশিং মীকুপ নাহুমশিংনা লৈহনখ্রে হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক্কী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সলাই তরেৎকী ফিরাল কাউখিবশিং চৈরাক পীরগনি হায়না গভনরনা থাজবা পীরক্লে হায়না এম.এল.এ. কে.ঐচ. ইবোমচানা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কুকি, জোমী, মার মীয়ামদা ওটোনোমি পীরবা খক্তদা শান্তিগী লম্বীদা চংশিনবা ঙমগনি হায়না এম.এল.এ. বুংজাগীন বালতেনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা পাউ ওইনা বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ফ্রি মুভমেন্ট লৈহনবীয়ু হায়বা য়াওনা এম.এল.এ. তরেৎনা গভনরদা

ৱাফম কয়া তকশিনখ্রে হায়না বি.জে.পিনা ফোংদোরকপা ৱাফমনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মোরনিং বেলদা-চিংগী মফমশিংদা খুৎলায় লৌখৎপগী থবক হেন্না কনখৎলু হায়না বি.জে.পি. এম.এল.এশিংনা গভনরদা তকশিনখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পি.আর. লৌথোক্তুনা খুদক্তা মীয়ামনা খনবা পোপুলর গভরমেন্ট অমা শেম্বগী অপাম্বা সেন্টরদা লৈত্রি হায়বা পাউ অমনা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মনিপুর পুলিস অমসুং সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই মরি য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখিবগী পাউ মনিপুর মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মীয়ামগী মীহুৎনা শেম্বা লৈঙাক লৈহন্নবা এম.এল.এশিংনা প্রাইম মিনিস্তরদা তকশিনগদৌরি হায়বা পাউনা সনা লৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-জেনিমস লায়না শন্দোকফম ওইরক্কদ্রা মীপায়নরে, বাইওমেদিকেল ৱেষ্টশিং নীংথিনা লোইশিন্দবগী সো কোজ নোটিস থারবসু নাচুংদনা লৈরি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। ক্বাক্তগী থোং থুগায়নবা হোৎনবদা লৌতুনবা অহুমশুবা মীওই অমা এন.আই.এনা ফারে হায়না পাউ চে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ত্রিপুরাদা মীতৈ ময়েক্কী কোর্স হৌদোকখ্রে হায়বা পাউনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী এক্কর কলমদা ফোংলি।